# মণিপুরগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা দাক্তর চন্দ্রমনিনা লৈখিদববা

- লৈশাংথেম অজিৎ -

পাৎশোই এ সীগী মীহুৎ ওইনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মেম্বর তরেৎলক ওইদুনা মণিপুরবু হীরম খুদিংমক্তা খুমাঙ চাওশিন্নবা হোৎনখিবদা অচৌবা থৌদাং লৌবীরম্বা ষ্টেট অসিগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর অনীরক ওইবিরম্বা, স্পিকরগী ফমসু অনীরক পায়বিরম্বা অমদি লূপ কয়াগী লুচিংবা ওইবীদুনা মণিপুরদা ওলিম্পিক মুভমেন্টকী অচৌবা থৌদাং লৌখিবা দাক্তর লৈশাংথেম চন্দ্রমনিনা এপ্রিল ৫দা লৈখিদববা মণিপুর অমসুং মফম কয়াদগী তোঙান-তোঙানবা লূপশিংনা অৱাবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা ঐখোয় পূম্ববু লমজিংবিরম্বা, মণিপুরবু ২০শুবা অমসুং ২১শুবা চহীচাদা খুমাঙ চাওশিনবা লৈবাকশিংনা থাংলিবা খোঙথাংশিং ইনবা ঙম্নবা হোৎনবিরম্বা চহী ৮৬ শুখ্রবা অহল অসিবু লাইগী লৈবাক্তা ঈংনা চিক্লা পোথাবীনবা লাইনিংথৌগী মফমদা পূম্নমক্লা থৌনিজরি।

লৈখিদ্রবা লৈশাংথেম চন্দ্রমনি ইম্ফালদা লৈবা ধনমঞ্জুরি কোলেজদগী বি এ পাস তৌরবা মতুংদা গুৱাহাটি য়ুনিভর্সিটিদা মহাক্লা কুমজা ১৯৬২দা হিষ্ট্রিদা মাষ্টর দিগ্রি অমসুং মথং চহীদা এল এল বি হায়বদি লোদা বেচেলর দিগ্রি ফংখি। য়ুনিভর্সিটি অসিদা মহাক্লা মখা তানা বৃটিশকা মণিপুরগা মরী লৈনবা অমগী হীরমদা রিছার্স তৌদুনা দাক্টরেট ফংখি। মহাক্কী থেসিস অদু ইনবা হোৎনবদা বৃটিশনা লৈবাক অসি ঙাক্লিঙৈদা থনম্বা রেকোর্দশিং অদু থিবদা ন্যু দিল্লিদা লৈবা নেসনল আর্কাইব, লাইব্রেরিশিং অমদি মণিপুর সেক্রেটরিয়েট ওফিসতা লৈরিবা লাইব্রেরি খক্তা নত্তনা মণিপুরগী পণ্ডিটশিং উনদুনা হীরম অসিগা মরী লৈনবা পুয়াশিং অমদি চে-চাং ফংনবা হোৎনবদা অচৌবা থবক অমা ওইখি।

দাক্তর চন্দ্রমনিগা খঙনখিবা অসি কুমজা ১৯৬৬তা গুৱাহাটি য়ুনিভর্সিটিদা মীং চনবা চৎপদনি। ধনমঞ্জুরি কোলেজগী এথলেটিক্স টিমগী মেম্বর ওইমিন্নবা, লমজেল অশাংবা চেনবা কাইরংগী খাইদেম ইবোমচাগা লোয়ননা ঐখোয় খরা গুৱাহাটি য়ুনিভর্সিটিদা পোষ্ট গ্রেজুয়েট তম্নবা মীং চনবা চৎখিবদা অয়ূক পুং ৭ তারকপগী মতম অদুৱাইদা য়ুনিভর্সিটিদা থুংদুনা ঐখোয়গী পোৎয়োমশিং অদুগা লোয়ননা য়ুনিভর্সিটিগী কান্টিনদা চা থকপা চংবদা লৈশাংথেম চন্দ্রমনিগা অহানবা ওইনা উনদুনা ঐখোয়গা ৱারী শানৈ। মহাক্তি ঐখোয়বু হান্না খঙলম্মী। মহাক্লা চংশিল্লক্লগা 'নখোয় অনী লাক্কনি হায়দুনা রনজিৎ রোইনা ঙায়রম্বনি' হায়দুনা ঐখোয়বু য়াম্না নুংশিনা তৌবীদুনা ঐখোয়না মীং চনবগী মরমদা ৱারী শানরম্মী।

হৌখিবা চহীদা য়ুনিভর্সিটি অসিদা গুৱাহাটি য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ স্পোর্টস মীট পাঙথোকখিবদা খাইদেম ইবোমচাগা ঐখোয় অনী দি এম কোলেজগী এথলেট ওইনা শরুক য়াখি। মদুদা মহাক্না ঐখোয় অনীবু মশক খঙখিবনি। মতম অদুদা মণিপুরদা য়ুনিভর্সিটি লৈত্রিবা মরম্না গুৱাহাটি য়ুনিভর্সিটিদা মণিপুরগী কোলেজশিং অসি এফিলিয়েট তৌই। মরম অসিনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী মখাদা লৈবা কোলেজ খুদিংমক য়ুনিভর্সিটি অসিনা অশিন অরাং তৌবা, শান্ন-খোৎনবগী অথোই অহেন তান্নবখক্তা নত্তনা কলচর অমসুং লিটরেরিগী হীরমশিংদসু ইন্টর কোলেজ চেম্পিয়নশিপ পাঙথোকই। মরম অদুনা গুৱাহাটি য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ স্পোর্টস মীট অসিদা মণিপুর য়াওনা অসামগী মফমশিংদা লৈবা কোলেজশিংনা শরুক য়াখি। মতম অসিদা মেঘালয় ষ্টেট শেমদ্রিবা মরম্না শিল্লোংগী মমীং লৈবা সেন্ট এন্থোনি কোলেজ, সেন্ট এদমন্দ কোলেজ অমসুং য়ুনিয়ন খৃষ্টান কোলেজনচিংবশিং গুৱাহাটি য়ুনিভর্সিটিদা এফিলিয়েট তৌদুনা ইন্টর কোলেজ এথলেটিক্স চেম্পিয়ন অসিদা শরুক য়াবা লাকই।

গুৱাহাটি য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পস অসিগী ময়ায়দা নেসনল হায়ৱে অমা লৈ। হায়ৱে অসিগী মখা থংবদা য়ুনিভর্সিটিগী লাইরিক তম্ফম শঙ দোলান মথোন ৱাংনা লোংবশিং অমদি মহৈরোয়শিংগী হোষ্টেল অচৌবা মথোন অনী লোংবশিংসু লৈ। অদুবু অসাম তাইপ হোষ্টেল হায়বদি অসামদা লৈবা য়ূমগী মওংদা দোলান নত্তবা তিন্না কূপ্পা হোষ্টেলশিংসু লৈ। মখোয়বু অসাম টাইপ হোষ্টেল হায়না খঙনৈ। হোষ্টেলগী মমীংনা অসাম টাইপ-১, অসাম টাইপ - ২ হায়না মথং মথং থোল্লি। মখোয়বু অশম্বীদা এ টি -১, এ টি - ২ হায়না খঙনৈ।

হায়ৱে অসিগী অৱাং থংবা শরুক্তা য়ুনিভর্সিটিগী মরুওইবা ওফিসশিং, ভাইস চাঞ্চেলরগী ওফিসনচিংবা অমদি য়ুনিভর্সিটিগী প্রেস লৈবগা লোয়ননা হোষ্টেল অসাম টাইপ (৮), (৯) অমসুং (১০) পরেং শানা লৈ।

দাক্তর চন্দ্রমনি অসাম টাইপ-৮দা লৈ। হোষ্টেল অসি রিছার্স তৌবশিংগী লৈফমনি। রিছার্স তৌবা মীওই মশীং য়ামদবা মরম্না অহাঙবা হোষ্টেলগী কা য়াম্না লৈ। কাশিং অদুদা মহৈরোয়শিং থম্মী। মদুদা ঐসু হোষ্টেল অদুমক্তদা দাক্তর চন্দ্রমনিগা চহী অনী লৈমিন্নজবা ফংখি। হোষ্টেল অদুদা লৈবা মণিপুরগী রিছার্স স্কোলরশিং অদুদি লৈশাংথেম চন্দ্রমনি (হিষ্ট্রি), ইবোতোন (ইকোনোমিক্স), সনাজাওবা (বোটানি) অমদি য়ুনিভর্সিটি অসিদা ওজা ওইবা লাকখিবা ওজা তোন্বীনি। ওজা তোন্বী ক্বার্টর ফংদদুনা মতম খরা হোষ্টেল অসিদা লৈরম্মী। মতুং তারকপদা হোংদোকখিবনি। মহাক্তি মমৈথংদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেলর ওইখি। ঐহাকসু মখোয়না লৈবা হোষ্টেল অসিদা রঞ্জিৎরোই (এদ্যুকেসন), মোইরাংথেম দেবেন, নিংথেমজাও, অতোম চাওবা (অহুম্মক পোলিটিকেল সাইন্সকী মহৈরোয়নি) অদুগা লোয়ননা লৈমিন্নবগী খুদোংচাবা ফংখি। চন্দ্রমনিগা লৈমিন্নরিবা রিছার্স স্কোলর অসাম মচা, বেঙ্গালি মচা, খা থংবা ইন্দিয়া মচাশিংনা য়াম্না কিনা লুনা তৌই। মহাক চাক চাবদা চামচ শীজিন্নে। মহাক মহৈরোয়শিংনা দাইনিং হোলদা চাক চারিঙৈদা চাবসু য়াওই, অদুবু অয়াম্বা মতমদা মহৈরোয়শিংনা ক্লাস য়াওবা চৎখিঙৈদা চাবসু য়াওই। মরক মরক্তা মহাক লাইব্রেরিদা চৎলি অদুগা হিষ্ট্রি দিপার্টমেন্টতা মহাক্কী গাইদ উনবা মরক মরক্তা চৎলি।

য়ুনিভর্সিটি অসিদা পোষ্ট গ্রেজুয়েট তম্লিবা মহৈরোয়খক্তগী চহীগী স্পোর্টস তৌবদা মণিপুরদগী বৈকালি দত্ত চৌধুরি, কাইরংগী ইবোমচাগা ঐখোয় অহুমনা শরুক য়াই। মদুদা ঐখোয় খুদিংমক্লা তামো হায়না কৌবা চন্দ্রমনিনা অয়ূক্তগী লাক্তুনা ঐখোয়বু পূক্লিং থৌগৎপী, বৈকালি দত্ত ইম্ফালগী অৱাং বি ও সী মনাক্তা লৈবা হায়কোর্ট কেম্পস মনুংদা লৈ। মহাক্কী অহল লমনশিং বেঙ্গলি হায় স্কুলগী ওজা ওইরম্মী। মহাক বেঙ্গলি লৈশাবীনি। মখোয়গী অহল লমনশিং মতম কয়াগী মমাঙদগী মফম অদুদা লৈরকখি।

মহাক্লা ঐগা কুমজা ১৯৬৩দা প্রি য়ুনিভর্সিটি ক্লাসতগী কুমজা ১৯৬৮ ফাওবা এম এ তম্মীন্নরকই অমসুং এথলেটিক্সকী অথোই অহেন তান্নবদসু শরুক য়ামিন্নে। মহাক ত্রিপুরাগী কোলেজ অমদা লেকচরর ওইখি অদুবু ময়ূম পাল্লবা মতুংদা য়াম্না ঙন্না লৈখিদে। তামো চন্দ্রমনি অসি ঐখোয়না স্পোর্টসতা শরুক য়াবা মতমদা চিথুদনা য়েংবা লাকই। মরক মরক্তা ঐখোয়গী ফিরোলশিং ঐখোয়না শান্নরিঙৈদা য়েংশিনবী, মহাক্লা পায়বিবনা অয়াম্বনি। কুমজা ১৯৬৬-৬৭কী ওল অসাম ইন্টর কোলেজ স্পোর্টস ফেষ্টিবেলদা মহাক থৱায় য়াম্না য়াওনা ইবোচাগা ঐগা ঐখোয়গী মতুং ইন্নবিদুনা কোয়শেন শেন্নবি। য়ুনিভর্সিটিগী বেষ্ট জম্পর তাবদা মহাক্লা ঐবু থৌনা হাপকৎপীখি।

তামো চন্দ্রমনি অসি টেবল টেনিস শান্নবা য়াম্না হৈ। মহাক্কী টেবল টেনিসকী তোঙানবা বেট থমজে, হোষ্টেলগী কম্মনরুমদা লৈবা টেবল টেনিসকী টেবল অদু মহাক্কী ওইনা তৌই। মহাক্লা রিছার্স স্কোলর খরগা অমদি সেনিয়র ওইবা মহৈরোয়শিংগা য়াম্না তোয়না নুংতিগী টেবল টেনিস শান্নে হায়বা য়াই।

মহাক্লা ইরম্বা লাইরিকশিংগী মনুংদা মীয়াম্না খ্বাইদগী পাবা পাম্লিবদি 'দি বাউন্দরি ওফ মণিপুর' হায়বা লাইরিক অদুনি। ●

## ষ্টেটকী পাউ

### পুলিসতা অচা-অথক য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ (ঐচএনএস) : থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী য়াইরিপোক বজারদা কোভিদ-১৯ শন্দোরকপা থিংনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা পুং ২৪ সর্ভিস তৌরিবা পুলিস পর্সনেলশিং, হোস্পিটালগী ষ্টাফশিং অমসুং ফার্মাসি ফম্লিবশিংদা বামোন লৈকায় য়ুথ ক্লব, য়াইরিপোক (বি ৱাই সী ৱাই) না অচা-অথকশিং য়েন্থোকখ্রে।

য়াইরিপোক বজারদা দ্যুটি তারিবা পুলিস পর্সনেলশিং, কম্যুনিতি হেলথ সেন্টর য়াইরিপোক্কী ষ্টাফশিং অমসুং য়াইরিপোক বজারগী ফার্মাসি ফম্লিবশিংদা মখোয়না কোভিদ-১৯ থেংনবদা লৌরিবা থৌদাং অদুবু পূক্লিং থৌগৎপা অমসুং থাগৎপা ওইনা বামোন লৈকায় য়ুথ ক্লব, য়াইরিপোকনা ঙসিগী অচা-অথকশিং অদু য়েন্থোকপনি হায়না ক্লব অসিগী সেক্রেটরি সঞ্জয় হিদমনা ফোঙদোরক্লি।

জেনিমস অমসুং রিমসকী কোভিদ-১৯ থেংনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা ডোক্তর, নর্স অমসুং মরী লৈনবা পূম্নমকপুসু ক্লব অসিনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

নোংজু-নুংশা মরক্তা মথৌ তৌজরিবা পুলিস পর্সনেলশিংবু লোকদাউন থুগাইবা মীওইশিংনা মখোয়দা অপনবা পীরকই হায়দুনা মীয়ামদা লান্না উহন্নবা শন্দোকপসু তৌবীগনু লোয়ননা পুলিস পর্সনেলশিংনসু মীয়ামগী মতেং ফজনা পাংবীয়ু হায়না সেক্রেটরি সঞ্জয়না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

### নীংশিং লূপনা অৱাবা মায়োক্লরবা য়ূমশিংদা চঙদুনা মতেং পাঙখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ (ঐচএনএস) : থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা তেকচমদা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা য়াম্না হেন্না অৱাবা মায়োক্লরিবা য়ূমশিং খনগৎতুনা অমদি য়ূম-য়ূমদা চঙদুনা ঙসি নীংশিং লূপ তেকচমনা মতেং পাঙখ্রে।

নীংশিং লূপ তেকচমগী এদভাইজর তেকচম রোসননা ফোঙদোরকপদা ঙসি নীংশিং লূপনা অৱাবা মায়োক্লরবা য়ূমশিং চঙদুনা মতেং পাংলিবসি লূপ অসিগী মেম্বরশিংনা অঙম-অঙম্বা শেল খায়নদুনা অমদি কৈদগী ফৌ পেক্তুনা পুথোক্লরগা অঙম্বা মতেং অসি পাঙজবনি হায়খি।

ঙসিগী নীংশিং লূপ তেকচমনা য়ূম য়ূমদা চঙদুনা মতেং পাংবা অদুদা লোকল চেঙ, খোংদ্রুম, কোবি অমদি থাও, থুমনচিংবা পোৎলমশিং খুৎশিন্নখি অমদি নীংশিং লূপ্পুসু অসিগুম্বা ৱারবা মতম অসিদা মতেং পাংবীবগীদমক মীয়াম্না থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

### মহৈরোয়শিংনা ওজাশিংগী য়ূম-য়ূমদা চত্তুনা মতেং পাঙখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ (ঐচএনএস) : লৈবাক অসিগী মফম খুদিংমক্তা কোভিদ-১৯না পীরিবা চৈথেংসিনা মীওই পূম্নমক খম থেংনা ৱারবা অমদি য়ূমদগী মপান থোকপা য়াদবা মতম অসিদা প্রোগ্রেসিভ ইংলিস স্কুল লমদিংগী কুমজা ২০১০ বেটচকী মহৈরোয়শিংনা মখোয়বু তাকপী-তম্বীরকখিবা ওজাশিংগী য়ূম-য়ূমদা চৎতুনা মতেং পাঙখ্রে।

লোকদাউননা মরম ওইদুনা থবক শূফম-চৎফম লৈতবনা নোংমগী শূজ-নোমজরগা চরা তাঞ্জরিবা ইমুংশিংদদি খম থেংনা ৱানরে অদুগীসু মথক্তা প্রাইভেট স্কুলশিংগী ওজাশিংদি মতম অসিদা তোলোপ ফংদবনা অয়াম্বা ওইনরি। মরম অসিনা ঐখোয়বু খুৎ পায়দুনা তাকপীরকপা ওজাশিং অসিদা মতেং খরদং ওইনবা হায়দুনা ওজাশিংগী য়ূমদা চৎতুনা মতেং অসি পাঙজবনি হায়না মহৈরোয় অমনা ফোঙদোরকখি।

প্রোগ্রেসিভ ইংলিস স্কুল লমদিংগী কুমজা ২০১০ বেটচকী মহৈরোয়শিং অসিনা অঙম অঙম্বা পুথোক্লদুনা ঙসি ওজাশিং অসিদা চেঙ, আলু, থাও অমদি হৱাইনচিংবা পোৎলমশিং অসি মতেং পাংবনি হায়রি।

ওজাশিংগা মতম কুইনা থাদোক্ল রুরবা মহৈরোয়শিং অসিনা ঙসিদি মালেমদা ৱানরবা মতম অসিদা মখোয়গী ওজাশিংবু নীংশিংবিরকপা অসি অসুক্কী মতিক হৱাওবতা নত্তনা মীৎতগী পি ফাওবা তারকখি। পিক্লা ফংবা প্রাইভেট স্কুলগী তোলোপ খর অসিনা ইমুং পুরিবা ওজাশিংদদি ঙসিগী মহৈরোয়শিংগী খুদোল অসি য়াম্না চাউবা খুদোলনি হায়রদুনা মহৈরোয়শিং অসিবুসু তৌরু-তৌরুবদা মায় পাকপা ওইয়ু হায়না ওজাশিংনা ফোঙদোরকখি।

### লৈবাক শিনবা থুংনা 'ব্লেক দে' পাঙথোক্লবা ফিরেপ লৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২১ (এজেন্সী) : ডোক্তরশিংদা তোয়না এটেক চথুরকপা অমদি চেন্নাইদা কোরোনাভাইরসনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রবা ডোক্তর অমা লৈরোন চনবদা অথিংবা পীরকখিবগী থৌওংবু য়ানীংদবা ফোঙদোকপা ওইনা এপ্রিল ২৩দা ডোক্তরশিংনা লৈবাক্কী মফম পূম্নমক্তা 'ব্লেক দে' পাঙথোক্লগনি হায়না ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন (আই এম এ) না ফোঙদোকখ্রে।

কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা চেন্নাইদা শিখিবা ডোক্তর অমা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকহনখিদবগী থৌওংবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্লদুনা আই এম এনা হায়খি, থৌদোক অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা মতিক চাবা থবক লৌখৎলক্ত্রবদি ডোক্তরশিংনা অখন্নবা খোঙথাং অমা লৌখৎলকপা য়াই।

লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবা মথৌ পাঙথোকপদা থৱায় থাখিবা ডোক্তরশিংবু মীপূম খুদিংমক্না ইকায়খুম্নফম থোকই। লৈখিদ্রবা ডোক্তর অমগী অরোইবা মথৌ-মঙম পাঙথোকহনখিদবা হায়বসি চাওখৎপগী মথৌ নত্তে। হীরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা মথৌ তাবা থৌরাং লৌখৎলক্কদবনি হায়নসু আই এম এনা ফোঙদোকখি।

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ মরক্তা মথৌ পাঙথোক্লিবা হেলথক্যের ৱার্করশিংদা মীয়াম্না তোয়না এটেক চথুরকপগী মতাংদা আই এম এনা হায়খি, ঙসি ফাওবা মেদিকেল ফ্রেটর্নিটিনা খোঙফম হঞ্জিন্দুনা লাকপনি।

### গ্রুপ এ ওফিসরশিং থবক কাহন্নবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ (ঐচএনএস) : ষ্টেট কেবিনেটনা লৌখিবা ৱারেপ মতুংইন্না মণিপুর সেক্রেটরিয়েটতা থবক তৌরিবা গ্রুপ এ ওফিসর পূম্নমক এপ্রিল ২১দগী থবক কাহন্নবা খঙহনখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা চীফ সেক্রেটরি ডা. জে সুরেসবাবুনা থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দম অমনা হায়খি, অতৈ কেটেগরিশিংগী ইমপ্লোয়ী পূম্নমক পালি নাইনা চাদা ৩৩ থবক কাহনগদবনি। এদমিনিষ্ট্রেটিভ সেক্রেটরিশিং অমদি অন্দর সেক্রেটরিগী থাক্তা লৈবা ওফিসর পূম্নমক থবক কাবা হৌরগনি।

জেনরেল এদমিনিষ্ট্রেসন দিপার্টমেন্টকী ইমপ্লোয়ীশিং মশা মশাগী থবক মফমদা পালি নাইনা চাদা ৩৩গী চাংদা থবক কাহন্নবা এদমিনিষ্ট্রেটিভ সেক্রেটরি অমদি কন্ট্রোল্লিং ওফিসর/ওথোরিটিশিংনা নোটিশ থোক্কদবনি হায়নসু চীফ সেক্রেটরিগী ওফিস মেমোরেন্দম অসিনা ফোঙদোক্লি।

### লোকদাউন মনুংদা নুমিৎ হুমনি মখোঙনা লাকখিবা অঙাং লৈখিদ্রে

বিজাপুর, এপ্রিল ২১ (এজেন্সী) : লোকদাউনননা মরম ওইরগা পাম্বৈ লৈত্রবা অঙাং অমনা টেলঙ্গনাদগী ছটিশগরদা লৈবা পোক্লফম লমদম বিজাপুর দিষ্ট্রিক্ট তম্না কিলোমিটর ১৫০ মখোঙনা লাকখিবা অঙাং অমা ময়ূম য়ৌরমদাইদা লৈখিদ্রে।

কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ লাকশিন্নবগী পান্দমদা লৈবাক্কী মফম শিনবা থুংনা থম্লিবা লোকদাউনগী মতম মে ৩ ফাওবা শাংদোকখিবদগী অঙাং অদু ময়ূমদা হল্লক্লবগী পাম্বৈ অমত্তা লৈরমদে। শুপ্নগী চহী ১২ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অদু ইমুংগী লৈত-লায়রদা মতেং খরদং ওইরবসু পাংনবা চিল্লি ফিল্ড অমদা থবক শূবা য়াওবনি।

এপ্রিল ১৫দা অঙাং অদুনা অতোপ্পা মীওই খরগা লোয়ননা টেলঙ্গনাদা লৈবা থবক মফমদগী পোক্লফম লমদম ছটিশগর ফাওবা মখোঙনা লাকখি। হায়ৱেদা চৎপা তারবদি খুদোংথিবা মায়োক্লবা য়াই খনবদগী মীওইশিং অদুনা শুক্লবা উমং ফাওদুনা নুমিৎ হুমনি মখোঙনা লাকখি। হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা ময়ূম য়ৌগদবা শুপ্নগী কিলোমিটর ১৪ খক্তা ঙাইরবা মতমদা কা হেন্না মবুক নারকপদগী অঙাং অদু লৈখিদবনি।

অহানবদা অঙাং অদুবু গভর্ণমেন্টকী এম্বুলেন্স অমনা ময়ূম তম্না পুবিখি। ডোক্তরশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না নুমিৎ হুমনি অরাম খৌরাংবগী মৈচাক খাংলকপদা দিহায়দ্রেসন তৌবদগী অঙাং অদু লৈখিদবনি হায়রি।

ষ্টেট লৈঙাক্লা লৈখিদ্রবী নুপীমচা অদুগী ইমুং মনুংদা লুপা লাক্ষ ১ কম্পেন্সেসন পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা হৌজিকসু মরায়বক থীরবী অঙাং অসিগা মান্নবা মওংদা মাইগ্রেন্ট ৱার্কর কয়ামরুম পন্দুনা লৈরিবনি। মীওই খরদি থবক শূফম-নোম্ফম লৈতবদগী শাংলবা কিলোমিটর লিশীং কয়ামরুম মখোঙনা চৎতুনা ময়ূম মায়কৈ পাংনরি। টেলঙ্গনা লৈঙাক্লা মাইগ্রেন্ট ৱার্করশিংদা লুপা ৫০০ পীবগা লোয়ননা গেহু অমদি চেঙ পীরগনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রবনি।

### পৱার সেক্টরগী থবক হেন্না য়াঙশিন্নবা খন্নখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ (ঐচএনএস) : কোভিদ-১৯দগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা ষ্টেট অসিদসু মতম শাংনা লোকদাউন লৈরম্বদু ঙসিদগী হৌনা হীরম খরদা কোমথোকখিবগা লোয়ননা মণিপুরদা পায়খৎপা য়াবা পৱার প্রোজেক্টশিং মথং মথং পায়খৎতুনা মৈগী ফীভম হেন্না ফগৎহন্নবগী মতাংদা পৱার মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বাজিৎনা চ্যের লৌদুনা ঙসি সঞ্জেনথোংদা লৈবা মহাক্কী ওফিসল রেসিদেন্সতা মীফম পাঙথোক্তুনা কুপ্না খন্নখ্রে।

অয়ূক পুং ১১.৩০ দগী হৌখিবা মীফম অদুদা পৱারগী কম্মিস্নর কে ঐচ রঘুমনি, জোইন্ট সেক্রেটরি য়ুম্নাম রোবিতা, মনিরেদাগী দিরেক্টর এল মঙলেম অমসুং পৱর কম্পেনি ২, এম এস পি দি সী এল অমসুং এম এস পি সী এলগী এম দিশিংসু শরুক য়াখি।

মীফম অদুনা রিন্যুএবল ইনর্জিদা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা মণিপুরগী চীং য়াওনা খুঙ্গংগী মফমশিংদা অহেনবা প্রোজেক্টশিং পায়খৎনবগী মতাংদা কূপ্না খন্নখি। মণিপুর অসি মহৌশানা রিন্যুএবল ইনর্জি অমদি হায়দ্রো পৱারগী পোটেন্সিয়ল মরাং কায়না লৈজবনি হায়রদুনা লৈজরিবা পোটেন্সিয়লশিং অসি মহৈ লোক্লবদি মণিপুরনা শেল চংনা মপান্দগী পৱার প্রদ্যুসিং কম্পেনিশিংদগী মৈ লৈবদা অহেনবা শেনফম অমা চৎলিবসি কনবা ঙমগদৌরিবনি। মসিনা মরম ওইদুনা হীরমশিং অসিদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা অকনবা মীৎয়েং চঙনবা লেপ্পখি।

ষ্টেট অসিদা রিন্যুএবল ইনর্জি শীজিন্নদুনা মেগাৱাট্ট ৫ ফাওবগী কেপাসিটি ওইবা পৱার প্রোজেক্টশিং পায়খৎপদা চঙবা শেনফমদগী চাদা ৯০দি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ ন্যু এন্দ রিন্যুএবল ইনর্জিনা সেন্টেল স্যের ওইনা পুথোক্কনি হায়বগী থাজবা পীবা লৈরে হায়না মিনিষ্টর বিশ্বাজিৎনা মীফম অদুদা ফোঙদোকখি। লোয়ননা ষ্টেট অসিদা রিন্যুএবল ইনর্জি শীজিন্নদুনা পায়খৎপা য়াবা মেগাৱাট্ট ৫গী কেপাসিটি পৱার প্রোজেক্টশিং পায়খৎপগী মতাংদসু কূপ্না খন্নখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা প্রোজেক্টশিং অদুগী কন্সলটেন্ট নেক্তুনা দি পি আর শাবগী থবক খুমাং চাওশিল্লি অমদি প্রোজেক্টশিং অসি পায়খৎনীংবা কম্পেনিশিংদগী অথুবদা এক্সপ্রেসন ওফ ইন্টরেষ্ট (ঈ ও আই) কৌনবগী মতাংদসু খন্নখি।

বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টকী হৌজিক লৈরিবা কেম্পস মনুংদা নুংশাগী মঙালদগী (সোলর ইনর্জি) মৈ মেগাৱাট্ট ৬ পুথোক্লবগী প্রোজেক্ট পায়খৎনবগী মতাংদসু মীফম অদুনা কূপ্না খন্নখি। এয়রপোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (এ এ আই) গী মখাদা হৌজিক লৈরিবা বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টকী অপূনবা লম অসি ১০৪৪ একরনি। মসিগী মনুংদা হৌজিক এ এ আইনা শীজিন্নরিবা অসি একর ৪০৪নি। মরম অদুনা লৈরিবা অহেনবা লমশিং অসিদগী এরোপ্লেন পাইবদসু থোইনা কাইরোইদবা মফম খন্দোক্লগা মেগাৱাট্ট ৬কী কেপাসিটিগী সোলর পৱার প্লান্ট অমগা লোয়ননা কন্না হোৎনরি হায়রি।

ড্রাইভর / ড্রাইভর খরা পামজৈ

ঈচেল ড্রিঙ্কিং ৱাটর দিষ্ট্রিব্যুসন তৌবগী মিনি ত্রক্কী ড্রাইভর খরা অথুবগী ওইনা পামজৈ। স্মার্ট কার্দ ড্রাইভিং লাইসেন্স পায়বা মীওইনা অকূপ্পা মরোলগীদমক মখাদা পীজরিবা মোবাইল নম্বর অসিদা কন্টেক্ট তৌবীরকপা য়াগনি। ইম্ফাল ইষ্টকী কেন্দিদেটতনা হেন্না খুদোংচাবা পীজগনি।

Salary :- Negotiable
Age :- 20 yrs to 35 yrs

Contact No.
8974824969

HL-P/6670/22

NO. 5/16/2020-MSRRDA/3-BLDG/SIRD/756

**RURAL ENGINEERING DEPARTMENT**
**MANIPUR STATE RURAL ROADS DEVELOPMENT AGENCY (MSRRDA),**

4th Floor, Secured Office Complex, A.T. Line, North AOC, Imphal, Manipur - 795001
National Competitive Bidding
Dated, Imphal, the 17th April, 2020

The Chief Engineer, RED/MSRRDA on behalf of the Governor of Manipur invites Item Rate tender through open tender from eligible contractors for construction of 3 (three) office building at a cost of less than Rs. 1 (one) crore of Rural Engineering Department at State Institute of Rural Development (SIRD), Porompat, Imphal, Manipur.

The procurement officer is Chief Engineer, RED/MSRRDA, Imphal; the tender details and documents shall be available from 20-04-2020 to 05-05-2020 at the office of the Chief Engineer, RED/MSRRDA.

Bid submission start date : 06-05-2020.
Bid submission end date : 07-05-2020.
Date of opening of Technical Bid : 08-05-2020 (Time : 11:00 A.M., Venue : Conference Hall of RED/MSRRDA).

Sd/- Th. Nandakishore Singh
Chief Engineer, MSRRDA

HL-B/6153/22

COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR

NOTIFICATION
Imphal, the 21st April, 2020

No. 2/15/96-HSC(Vol-I): It is, hereby, notified for information to all the Head Examiners, Assistant Head Examiners, Supervising Examiners, Examiners and those persons who are directly involved in the evaluation process of answer scripts of the Higher Secondary Examination, 2020 at the Central Evaluation Centres (viz. D.M. College of Science, T.G. Higher Secondary School, Ramlal Paul Hr. Sec. School and Council Office) that they shall strictly adhere to the prescribed guidelines of using hand sanitizer, face mask etc. and maintenance of social distancing as prescribed by the Ministry of Home Affairs order dated the 15th April, 2020.

Further, all the concerned are requested to co-operate with the officials of the Council who are executing body temperature measurement through ***Non-contact Infrared thermometer.*** It is also to be kept in mind that anybody found with high body temperature (beyond the prescribed range) should leave the evaluation centre.

Further, the Curfew pass issued by the Home Department, Government of Manipur should be used only for the purpose of evaluation works.

Sd/- Ch. Biren Singh
Secretary,
Council of Hr. Sec. Edn., Manipur

HL-B/6155/22

COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR

NOTIFICATION
Imphal, the 21st April, 2020

No. 2/25/96-HSC: It is, hereby, notified for general information to all concerned that the examinations of the remaining papers (viz. Engineering Drawing, Sociology, Thang-Ta, Elective Bengali, Elective English, Elective Hindi and Elective Manipuri) of the Higher Secondary Examination, 2020 which were postponed due to pandemic of COVID-19 is planning to conduct the examination on or before the 7th May, 2020 adhering to the guidelines of the National and State Governments directives such as ***social distancing, use of hand sanitiser, face masks and temperature scanning with Infrared Thermometer.***

The exact schedule of the said examination shall be notified after proper assessment of the social environment of COVID-19.

All the Supervising Officers, Officer-in-Charge, Assistant Officer-in-Charge, Principals etc. of the respective centres are requested to make necessary preparation for smooth and fair conduct of the said examination as and when specific date is announced and should also assure that all the examinees should get themselves prepare for appearing at the said examination without any mental and physical restrain.

Sd/- Ch. Biren Singh
Secretary,
Council of Hr. Sec. Edn., Manipur

HL-B/6154/22